ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




চীংমৈরোংদা লৈবা তিঙ্কাও রণ্বাং কালুম কাইদা তিঙ্কাও রণ্বাং চাত্রিয়া ফোম (অসাম, মণিপুর অমদি নাগালেন্দ) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৯৪শুবা হায়পৌ জাদোনাংগী কুমওন থৌরমদা কবুই নুপীশিংনা নাংকী লাইশোন ঈশৈ শকপা


লৌশিং পুক্কে : হকচাংগী কয়াৎশিং ফিভম ফনা... লামায় ২

লামায় ৪ হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ জমাল-গোতা

মীখল ঙাইমিন্নরসি! লামায় ৫

লামায় ৬ মণিপুরী লোলবু অসাম লৈঙাক্লা ওফিসশিংদা চৎনবা...

পাটনা: বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসকী ৱার্করশিংনা... লামায় ৯

লামায় ১২ গভর্নরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ...


নেশনল আই দোনেশন ফোর্টনাইটকী মনুং চন্না এস এ ভি আই, ৱাই সী দব্লিয়ু ও, হৈনৌবোক, ঐচ দব্লিয়ু দব্লিয়ু এ, ঐচ টি ফাউন্দেশন অমদি এ টি-৪৮ য়ুনিটনা হৈনৌবোক্তা পাঙথোকখিবা ফ্রী আই স্ক্রিনিং কেম্পতা লায়েংখিবা




Vol. 49, Issue No. 149 | থাংজ, লাংবনগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Saturday, August 30, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী লেন্দমার্ক জজমেন্ট

# ষ্টেট লৈঙাক্লা থা ৬কী মনুংদা গ্রাম পঞ্চায়ট অমসুং জিল্লা পরিষদশিংগী অনৌবা মীখল পাঙথোক্কদবনি

**লৈঙাক্কী ফেব্রুৱারী ২৯, ২০২৪গী ওর্দরগী মতুংইন্না গ্রাম পঞ্চায়টকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি অমসুং জিল্লা পরিষদকী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা খনখিবশিং চৎনহন্দ্রে**

**গ্রাম পঞ্চায়ট অমসুং জিল্লা পরিষদকী মীখল পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবা ইলেক্তেদ মেম্বরশিংবু মেম্বরশিং ওইহনগদবনি হায়বগী অয়াবা চৎনহন্দ্রে**



চীফ জষ্টিস কে সোমাশেকর অমসুং জষ্টিস এ গুনেশ্বর

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী ৮ লোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী মঙাশুবা জেনরেল পঞ্চায়ট ইলেক্সন অদুগী চহী ৫গী মতম কুমজা ২০২২দা মপূং ফাদুনা লোইশিনখ্রবসু মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুর পঞ্চায়টি রাজগী তোঙান-তোঙানবা এক্টশিংগী মতুংইন্না লোকল বোদিশিং ওইরিবা গ্রাম পঞ্চায়ট অমসুং জিল্লা পরিষদশিংগী পাঙথোকফম থোকপা মীখলশিং পাঙথোকপগী মহুত্তা গ্রাম পঞ্চায়টশিংদনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটিশিং শেমদুনা হাপচিনবা অদুগা জিল্লা পরিষদতনা এদমিনিষ্ট্রেটরনচিংবা হাপচিন্দুনা চলাইরকপদগী লৈবাক ৱাথোক ওইরকপদা নত্তনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়া ফাওবা য়ৌনা ৱাকৎনরক্লবা মতুংদা ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা লেন্দমার্ক জজমেন্ট অমদা লোকল বোদিশিং অসিগী মীখল থা ৬কী মনুংদা পাঙথোক্লবা দিরেক্সন পীখ্রে।

পূন্না লমায় ৭২ পানবা ঙসিগী জজ মেন্ট অমসুং ওর্দর অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস কে সোমাশেকর অমসুং জষ্টিস এ গুনেশ্বরগী বেঞ্চনা পীখিবনি।

মণিপুরগী গ্রাম পঞ্চায়ট অমসুং জিল্লা পরিষদশিংগী পাঙথোকফম থোক্লবসু পাঙথোরক্ত্রিবা মীখল অমসুং বোদি অনী অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি অমদি এদমিষ্ট্রেটরনচিংবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক থৌ-ৱা শাদ্রে : জয়রাম রামেস

**ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী) :**

ঙসিদগী হৌরদুনা হয়েং ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মপান লৈবাক্কী খোঙচৎ ওইনা জপানদা থুংখিবগা লোয়ননা খোঙচৎ অদুগী মতুংদা চাইনাগী সাংহায়দা পাঙথোক্কদবা সাংহায় কো-ওপরেশন ওর্গনাইজেশনগী সম্মিটতসু শরুক য়ানবা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা চাইনাদা অমুক চৎননবা থৌরাং তৌরকপদা কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি (কম্যুনিকেশন্স) ওইরিবা জ য়রাম রামেসনা নরেন্দ্র মোদিদা ওনশিন্দুনা মহাক্না মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা থৌ-ৱা শাদ্রে হায়না মরাল শীখ্রে।



কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা মহাক্কী সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্ম 'এক্স' তা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরক্তুনা মখা তানা হায়, প্রাইম মিনিষ্টরনা জপানদা থুংখিবগা লোয়ননা চাইনাদা চৎনবা থৌরাং তৌরগসু মণিপুরগী ৱাথোক অসিবুদি নাথৈদুনা থল্লে হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জপানগী খোঙচৎ মতুংদা চাইনাদা চৎকদৌরিবসি চাইনাগা লৈবাক অসিগা লৈনরিবা মরী নোর্মেলাইজ তৌনবা নম্ফুদা হোৎনরক্কদৌরিবনি হায়রদুনা ইন্দিয়াগা য়ু এসকী মরক্তা মরী ফৎলক্তবগী খুদোংচাবা লৌনবা চাইনানা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি। লৈবাক অসিনা চথখিবা ওপরেশন সিন্দুরদা পাকিস্তানগা চাইনাগা অমত্তা ওইমিন্নখি হায়বসি ঐখোয়গী মিলিটরিগী মায়কৈদগী খঙখ্রবনি অদুবু ৱাফম অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কাউথোক্লে হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মপান লৈবাক্তা খোঙশানখ্রবসু মে ৩, ২০২৩দগী মণিপুরদা শোকহল্লক্লিবা ফীভম অসি ফগৎহন্নবগীদমক মণিপুরগী মীয়াম্না ঙসিসু মহাকপু মতম শাংনা ঙাইরক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, মথং থাদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা লাক্কনি হায়বা ৱাফম থোরকখিবদগী মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী মাঙওইননা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর বন্দি সঞ্জয় কুমারনা থা অসিগী ২৮দা মণিপুরদা লাক্লবা থৌরাং তৌরমখিবনি।

মহাক্কী মাঙওইনবা খোঙচৎ অসিগীদমক হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্তা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা অইবা চেরোল ফাওবা পীরক্তুনা খঙহল্লকখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্না লাক্কনি হায়বা নুমিৎসিগী মাঙওইননা থা অসিগী ২৭তা মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী অইবা চেরোল অমা পীরক্তুনা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর অসিগী মণিপুর খোঙচৎ কেন্সেল তৌরে হায়রকখিবনি। অদুবু মসিগী মরমদি পীরকখিদ্রিবনি।

অমরোমদা, মথং থাগী ১৩দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়ূমথংনরিবা অসামদা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা লাক্কনি হায়বগী ৱাফমদি চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা সর্মনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

### কাংপোকপীগী মপাও জিংতুন খুলদদি 'বফর জোন' মৱা লৌরমদ্রে

# নীদি হোম একাদেমিদা ফূরুপ পূম্নমক্কী মহৈরোয়শিং অমত্তা ওইনা লাইরিক তম্মীন্নরম্লে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি-জো-মারগী লমহেন-তুহেনবশিংনা মখোয়গী খূৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন লৌগনি হায়দুনা মীতৈদা অতম্ননা ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান চথরকপদগী খুদোংচাবা লৌরদুনা লান্দারকখিবা অমসুং মখোয়বু মায়োক্লবা চীং অমসুং তমগী ফূরুপ অনীগী তাইনফমশিংবু রেদ অমসুং বফর জোনশিংনি হায়দুনা ঙসি ফাওবা চঙন-থোক্লবা য়াদনা লৈরক্লগসু কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মপাও জিংতুন খুলদদি বফর জোন মৱা লৌরমদ্রে।

মফম অসিদা লৈবা নীদি হোম একাদেমিগী মহৈরোয়শিংগী নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথগদবা চহীগী আর্টস অমসুং লিটরেরি মীট ঙসি হরাও-তয়াম্বগা লোয়ননা একাদেমি অসিগী ফূরুপ পূম্নমক্কী মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখ্রে।



হৌদোকপগী থৌরমদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# ব্রাওন সুগর কিলো ২ হেনবগা লুপা লাখ ২.৫গা কোন্ননা ফারে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :**

ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী হেংবুং পুলিস আউটপোষ্টতা চেক তৌবদা কাংপোকপীগী টি গমনোম খুলদগী ড্রগ স্মগ্লর অমা ব্রাওন সুগর কিলোগ্রাম ২.৮১৬ অমসুং শেল ওইনা লুপা লাখ ২.৫গা কোন্ননা ফারে হায়রি।



ড্রগ অমসুং শেলগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদুগী মমিং পাওগৌলাল তাওথাং (২২) কৌই। মহাক কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# মচা-মমৌনা তাথী-তাওইনা তৌবা অহলশিংগী ৱাকৎফম লৈরমদ্রে

**লৈঙাক্না মণিপুর মেন্টিনেন্স এন্দ ৱেলফেয়র ওফ পেরেন্টস এন্দ সিনিয়র সিটিজেন্স রুলস, ২০২৩ শেম্লবসু থবক্তা ওন্থোক্লমদ্রে**

**উরিপোক অপূনবা লূপনা হায় কোর্টতা ৱাকৎখ্রে, কোর্টনা য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেটকী ওফিশল ৪দা নোটিস ইস্যু তৌখ্রে**

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্না কুমজা ২০২৩দা মচা-মশু অমদি মমৌশিংনা তাথী-তাওইনা তৌবীরবা অহল ওইরবা মমা-মপা ওইরিবশিংবু ঙাকপী-শেনবীদুনা মখোয়গী য়াইফনবা থবকশিং পায়খৎনবগীদমক 'মণিপুর মেন্টিনেন্স এন্দ ৱেলফেয়র ওফ পেরেন্টস এন্দ সিনিয়র সিটিজেন্স রুলস-২০২৩' শেমখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা রুল অসিগী মতুংইন্না মচা-মমৌনা তাথী-তাওইনা তৌবীরবা মীওইশিংগী ৱাকৎফম ত্রাইব্যুনেল/আপ্পীলেট ত্রাইব্যুনেলস/ষ্টেট কাউন্সিলনচিংবা অমত্তা লিংখৎতুনা থল্লমদ্রে।




রুল অসি শেম্লবসু থবক্তা ওন্থোক্তুনা চৎনহনবগী মায়কৈদদি লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবদা থৌশা-ৱাশাদনা লৈথোরকপগী মায়োক্তা উরিপোক এসেমব্লি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# দিপককী মনাওনুপাবু এ এস আই ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস):**

লৈবাক অসিনা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা চথখিবা ওপরেশন সিন্দুরগী মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবা য়াইরিপোক য়াম্বেমদগী চীংঙাখম দিপকতা বির চক্র পীদুনা ইকায়খুম্ন খিবদা নত্তনা মহাক্না পোকমিন্নবা মনাওনুপা নাওববু মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রে।



# পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিশিংগী বস অতোংমল লৌররোই

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস):**

ষ্টেট কম্মিস্নর ফোর পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ, মণিপুরনা ঙরাং থোকপা পব্লিক নোটিস অমগী মতুংইন্না দিসএবিলিটি সর্টিফিকেটনা শক্তাক্লবা নৎত্রগা চাদা ৪০গী চাং নৎত্রগা হেন্না দিসএবিলিটি ওইবগী কার্দ পায়রবা মীওইশিংনা এম এস টি য়াওনা মণিপুরদা চেল্লিবা প্রাইভেট বসশিং তোংবদা চাদা ১০০গী কন্সেশন পীরগনি হায়বদি বস অতোংমল লৌররোই হায়রি।

অদুগা অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগা লোয়ননা লাকপশিংদনা চাদা ৫০গী কন্সেশন পীরগনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# পোক্তবা মচানুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লুবা মপা চহী ৫গী ফাদোক পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস):**

ঙসিদগী চহী ৬ লোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট থাদা চহী নৌরিবী অমসুং মশামক্কী অপোকপা মচানুপী নত্তবা নুপীমচা অমবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখি হায়বা ৱাকৎতগী পুলিসনা লৌখৎপা কেসকী চার্জশীটতা য়ূম্ফম ওইদুনা চথরকখিবা ৱায়েলদা ফাষ্ট ত্রেক্ট স্পেশল কোর্ট নম্বর ১ (মণিপুর) গী জজ আর কে মেমচাগী কোর্টনা থা অসিগী ২৭তা কনভিক্সন পীখ্রবা শগোলতোংবা ময়ায় লৈকায়দগী মোইরাংথেম ইবোচৌ (৫৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম ধনবু মরালগী মতুংইন্না চহী মঙাগী ফাদোক পীখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ঙারিয়ান ফোরেষ্টতগী অন্দ্রো কৈথেল ফাওবগী দিমার্কেশন

# এস দি সী-তুলিহলগা অৱাই-অখুম তৌনরুবা মীওইশিংগীদি অমুক হন্না দিমার্কেশন তৌরমদুনা হান্নদগী ফুট ২০ লোম চঙশিন্দুনা মার্কিং তৌশিল্লম্লে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা ঙারিয়ান ফোরেষ্টকী চীংখোঙদগী হৌরগা অন্দ্রো কৈথেল ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা লম্বী পাকথোক্লবগীদমক এস দি সী (তুলিহল) না ইভিক্সন তৌনবগীদমক চথরক্লিবা দিমার্কেশন অসি চুম্না তৌহনবীয়ু হায়না মফম অসিগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি।


ঙসি এস দি সী (তুলিহল) মশামক য়াওনা ঙারিয়ান ফোরেষ্টকী চীংখোঙদগী অন্দ্রো কৈথেল ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা লম্বীগী নাক য়েৎতা দিমার্কেশন তৌবা লাকপদা এস দি সীগা অৱাই অখুম তৌনরুবা লম মপু খরদা এস দি সী মশামক্না অতম্ননা তৌগে হায়বগী মতাগুম ওফিশলশিংনা দিমার্কেশন তৌদুনা মার্ক তৌরম্লবা মফমদগী লম য়াম্না হেঞ্জিন্না দিমার্কেশন অমুক হন্না চথদুনা মার্কিং পীরম্লে হায়না লম মপুশিংনা এস দি সী অসিগী থৌওংবু পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

খুঞ্জাশিংগী মহুৎ শিল্লদুনা তুলিহল জিল্লা পরিষদকী হান্নগী মেম্বর কোন্থৌজম নিলকমলনা হায়, ঙসি ঙারিয়ান ফোরেষ্টকী চীংখোঙদগী অন্দ্রো কৈথেল ফাওবগী লম্বী পাকথোক্লবগীদমক ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# আই দি পিশিংগীদমক ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং মপূং ফানা পাঙথোক্লবা গভর্ণরনা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :** ঙসি রাজ ভবনদা পাঙথোকপা মীফম অমদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিশন (এম এস আর এল এম) না পাঙথোরক্লিবা থবক থৌরমশিং রিভিয়ু তৌখিবগা লোয়ননা আই দি পিশিংগীদমক পাঙথোকপা ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং মপূং ফাহন্নবা মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা ওফিশলশিংদা পাউতাক পীখ্রে।

এম এস আর এল এমগী দিরেক্টর অমসুং ওফিশলশিংনা মীফম অসিদা



শরুক য়ারদুনা খুঙ্গংদা লৈরিবা মীয়ামগী শেন্মীৎলোন হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# জাদোনাংনা জেলিয়াংরোং ফূরুপশিংবু পূনশিন্নবা হোৎনরম্মী : মাইবোন ফাওমৈ

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :**

লৈখিদ্রবা হায়পৌ জাদোনাংনা তোঙান তোঙানবা মফমদা খুন্দারিবা জেলিয়াংরোং ফূরুপকী মীওইশিংবু পূনশিন্নবা কন্না হোৎনরম্মী হায়না আই এম সীগী দেপ্যুটি মেয়র ওইরম্বা মাইবোন ফাওমৈনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা তিঙ্কাও রণ্বাং কালুম কাইদা তিঙ্কাও রণ্বাং চাত্রিয়া ফোম (অসাম, মণিপুর অমদি নাগালেন্দ) না শীন্দুনা মহাক্না লৈখিদবগী ৯৪শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকপদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মাইবোননা মখা তানা হায়, জাদোনাংনা লৌরম্বা থৌদাং অমসুং চৎলম্বা লম্বী অদু লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফূরুপশিংনা খঙবা মথৌ তারি। জেলিয়াংরোংশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদগী বৃটিশনা টেক্স খোমগৎনবা থৌরাং তৌরকপগী মায়োক্তা মহাক্না থৌনা ফনা জেলিয়াংরোং মীয়ামগীদমক হনবা লৈতনা মায়োক্লখিবা লুচিংবনি। বৃটিশকী মায়োক্তা থবক তৌই হায়বগীদমক মহাকপু ফারগা থৌরী য়ান্দুনা হাৎখিবনি হায়খি।

জেলিয়াংরোং ফূরুপ খক্তা নত্তনা মসিগী হৌরক্লিবা য়েলহৌ ফূরুপশিংনা মহাক্কী থৌদাং খঙগদবনি। জাদোনাং নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা সোশল রিফোর্মর অমা ওইনা হৌরকখিবনি। মরদম্বু মীখা পোলহন্নীংদবা লুচিংবনি। বৃটিশ লোইলমগী মায়োক্তা লৈরমখি হায়নসু শীংথাখি।

# দেঙ্গি : অনৌবা পোজিটিভ কেস ২৬ থেংনরে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা লেপ্তুনা দেঙ্গীগী পোজিটিভ কেসশিং থেংনরকখ্রবা মতুং হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদসু লায়না অসিগী অনৌবা পোজিটিভ কেস ২৬ থেংনরে হায়না হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা পাউনা হায়রি। অনৌবা কেসশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতা ২০, ইম্ফাল ইষ্ট ১, থৌবাল ১, বিষ্ণুপুর ২, ককচীং ১ অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা ১ থেংনবনি হায়রি।

### খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মপাউ-২৩

# লান তৌরকপদগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল খুন্তাক-লানশিবগা মান্নরে, পোৎ শিংৎত্রে



**নোমিতা খোংবান্তাবম**

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :** হৌজিক খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পোৎফম ফম্লিবী ঐখোয়না পাম্লিবসি লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লগা মহৌশাগুম্না ঈংন-চিক্না লৈজরম্বা ফীভম অদুদা হঞ্জিনবনি। লান অসি তৌরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা শিংলম্বা পোৎশিংতু হৌজিক হঞ্জিনহনবা পাল্লে। মরমদি নোংমগী পোৎফম ফল্লগা চাজবা ঐখোয়দদি পোৎ শিংত্রগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সনা মতিক চানা ঙাক-শেনবীরবা মতমদা য়ূমদা হঞ্জিনবা ঙমগনি : শগোলশেম রোমি

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী হকথেংনবা পাউদম**

**কাংচুপ চীংখোঙদগী খুঞ্জা**

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা মে ৩, ২০২৩দগী তমথীরবা লান হৌরকখ্রবসু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী উরিপোক-কাংচুপ লম্বী (য়ু কে রোদ) হায়না খঙনরিবা লম্বী অসিদা ইম্ফালদগী শুপ্নতগী কিলোমিটর ১৪ রোমদমক লাপ্পনা লৈরিবা কাংচুপ চীংখোঙদদি লানগী চৈথেং মে ৪, ২০২৩গী অয়ুক্তগী ফংবা হৌরকখিবদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক ফাওবা ফয়েং হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী কাংচুপ চীংখোঙদগী শগোলশেম রোমি (৩৭), মপুরোইবা অঙোম হেমন্তনা পাউচে অসিদা হায়, মে ৩, ২০২৩দগী ঈরাং হৌরক্লে



হায়বগী পাউদি ঐখোয়সু তাখি অদুবু ঐখোয় শ্বাই ওইরিবা কাংচুপ চীংখোঙদা য়ৌরক্কনি হায়বদি খনখিদে। ইন্টরনেটকী খূথাংদা ঈরাংগী মতাংদা

**কাংচুপ চীংখোঙদদি মে ৪, ২০২৩গী অয়ূক্তগী ঈরাং য়ৌশিল্লকখিবনি অদুবু অয়ূক য়ৌদ্রিঙৈ মে ৩, ২০২৩গী অহিংদা বোর্দিংদা থম্বা ইচানুপাবু লৌথোক্লবা লাকউ হায়দুনা টেলিফোন তৌদুনা খঙহল্লকখি**

থাগৎনরকপশিং লোইনা য়েংখি। ঐখোয় ফাওবা ঈরাং অসিগী থৌদোকশিং লোইনা খঙলবনিনা মতম অদুগী মণিপুর লৈঙাক্লা মতম চানা থেমজিল্লগা য়াশিন্নবা অমা পুরকখিগনি হায়না খনখি।

ঐগীদি ইচা অহুমনি। ইচানুপা অহলনা ক্লাস টেনগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭


**GASTRO-LIVER-PILES TREATMENT CENTRE**
THANGAL BAZAR
থাংগল বজার
*By - Dr. L.M. Singh, MBBS, MD, DM in Gastroenterology and Hepatology (Superspecialist)*

**Services provided.**
1) Regular consultation for abdominal and gastro-intestinal problems
2) UGI Endoscopy
3) EVL/EBL
4) Colonoscopy
5) Piles injection
6) Endoscopic removal of polyps of stomach and colon
7) Assessment of liver diseases and treatment

**OPD Timings : 10am - 5pm**
HL-C/280/29,30,31